WAYEL KATI
Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 248 RNI NO. MNMAN/25/A1111 মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৩-২৪ ইম্ফাল, লমতাগী ৬ নি পানবা,নিংথৌকাবা ফেব্রুৱারী ২৩,২০২৬ ইং মমল লুপা ২।-

পীক্লবা ষ্টেট অসিদগী পুথোকপা ফিল্মসু মালেমদা ফিদা কনবা ঙম্লে

## মণিপুরী ফিল্ম ‘বুং’না ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা বি এ এফ টি এগী বেষ্ট ফিল্ম এৱার্দ ফংখ্রে




**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই ওইনা লক্সমিপ্রিয়া দেবীনা দিরেক্সন পীবা মণিপুরী ফিল্ম ‘বুং’না বৃটিশ একাদেমি ওফ ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন আর্ট (বি এ এফ টিএ)গী বেষ্ট চিল্ড্রেন এন্দ ফেমিলি ফিল্ম কেটগোরিদা বেষ্ট ফিল্মগী এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদা, লন্দনদা লৈবা রোয়েল ফেষ্টিভেল হোলদা পাঙথোকখিবা ৭৯লক শুবা বি এ এফ টি এ এৱার্দ সেরিমোনিদা বুংনা হোল্লিৱুদকী নোমিনেট তৌবদা য়াওরিবা অচৌ অচৌবা ফিল্ম জুত্রোপোলিস-২, লিলো অমদি ষ্টিটচ অমদি ফ্রান্সকী সাইন্স ফিক্সন মুভি আর্কোবু মায়থীবা পীরমদুনা চিল্ড্রেন ফিল্ম কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা বি এ এফ টি এ এৱার্দ ফংখিবনি। এক্সেল ইন্টরটেনমেন্ট, চোল্কবোর্দ ইন্টরটেনমেন্ট অমদি সুইটেবল পিকচরনা পূন্না কো-প্রদ্যুস তৌবা মণিপুরী ফিল্ম অসিদা গুগুন কিপগেন, বালা হিজম, অঙোম সনামতুম, জেনি খুরাইনচিংবনা শরুক য়ারি। লোয়নন রোনিদ চীঙ্গাংবম (অখু) অমদি জুবিন বালাপোরিয়ানা ফিল্ম অসিগী ম্যুজিক পীরি। ফিল্ম অসিগী স্ক্রিনপ্লেসু দাইরেক্টর ওইরিবা লক্সমিপ্রিয়া মশানা ওইরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা বি এ এফ টি এ এৱার্দ পীবগী থৌরম অদুদা বি এ এফ টি এগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা প্রিন্স চার্লিস, প্রিন্সেস ওফ ৱেলস, কেঠরিন, হোল্লিহুদকী শক্লাইরবা এক্টর লিওনার্দো দিকেপ্রিও, তিমোথি চালামেট, মাইকেল বি জোর্দান, কেট হুদসন অমদি অতে শক্লাইরবা কয়ানা শরুক য়াখি।

এৱার্দ লৌবগী ৱারোলদা ফিল্ম অসিগী দাইরেক্টর লক্সমিপ্রিয়ানা খুরুমজরি হায়বা ৱাহৈনা হৌদোকপগা লোয়ননা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংনা ময়ূম-মকৈ লৈজদ্রবা ইন্টরনেলি দিসপ্লেস পার্সনশিং, অঙাংশিং অমদি ঈরাং মায়োক্লরিবা মণিপুরগী মতাংদা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

মণিপুর ফিল্ম বুংনা লেমজনিংঙাই ওইরবা বি এ এফ টি এ এৱার্দ ফংলকপদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচন্দনা থাগৎপা ফোঙদোকপগী ৱারোলদা হায়, লক্সমিপ্রিয়ানা পীক্লবা ষ্টেট অসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু মালেমগী ফম্বাক্তা মশক তাকপা ঙম্লিবসি য়াম্না চাও-থোকচনিংঙাইনি। মতুং তারকপদা মহাক্না মমিং লৈবা ফিল্ম কয়া দাইরেক্সপ পীদুনা মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্লকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

## এমনেমিয়ানা অমুচৌদা শেলগী মতেং পাংখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ওল মণিপুর ন্যুজ পেপর এন্দ ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়া ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসন(এমনেমিয়া)গী মেম্বরশিংনা অনা অয়েক য়াওরকপা, অৱা অনা তারকপা মতমদা এসোসিয়েসন অসিনা অঙন্বা মতেং পীবগী চথরকপা শরুক অমা ওইনা ঙসি পূং ৮ তাবদা ৬৫শুবা ওইনা চহী অসিগী অহানবা এমনেমিয়াগী গ্রুপ সিগী মেম্বর নম্বর ১ ওইরিবা ইম্ফালদা ফোঙলম্বা পাউচে ইরৈপাক্কী সার্কুলেসন হেদ ওইরম্বা খুঞ্জামযুম অমুচৌদা শেলগী মতেং পাংখ্রে। পনবা য়াবদি, অমুচৌ থা অসিগী ১৭কী অয়ূক অঙনবদা বি পি ষ্ট্রোক তৌবদগী রাজ মেদিসিতিদা লায়েংলিবনি হায়রি।

## এৱার্নেশ পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** এম এস আর এল এমগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেন অমদি তোপ দুসেরা য়ারল ভি এল এফকা খূৎশম্নদুনা জেন্দর সেন্সিটাইজেসনগী মরমদা নোংমগী ওইবা এৱার্নেশ প্রোগ্রাম অমা এস এ সি কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

### হয়েংগী নোংদম

২৪।০২।২০২৬

-এষ্ট্রো-কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ -থবক তৌবদা পাঙ্গল থোকপা, থাজবা য়াবা নুমিৎনি। অনৌবা থবক পায়বা য়াই।

বৃষ - তুংগী চাওখৎচনবা মীৎয়েং থম্মু। নহাক্কী হোৎনজবদা নথক থোংবশিংনা থাগৎপীগনি।

মিথুন-থবক ইনখাংগী পাউ ফাওনবা, ৱারী শান্নবা য়াগনি। লম চৎপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

কর্কট -থবক তৌবদা মায় পাক্তবা, ৱাখল নুংঙাইতবা পীরি। ইমুং মনুংগী মরীদা মীৎয়েং চঙ্ঙু।

সিংহ-লূচিংবা ওইনা থবক তৌবা য়াগনি। লল্লোন ইতিক্কী থবকশিংদা শেন্দোং ফংগনি।

কন্যা- থবক্কী পোৎলূম হেঙ্গৎচরগসু অফবা ফল লৈগনি। হকচাং নুংঙাইতবগী ফল পীরি।

তুলা- লোইনবা, তিন্নবগী মরীদা ফগৎচবা পীরি। লোগী ওইবা চয়েৎনবা খরা লৈগনি।

বৃশ্চিক- অফবা অমসুং ফত্তবা অনীমক্কী ফল লৈ। শেল থুমগী লম্বীদা চেকশিল্লু।

ধনু- ৱাখল নুংঙাইবা, দাওয়াবা নুমিৎনি। তুং লমচৎকী খূদোংচাবা ফংগনি।

মকর- থবক কন্না শু নোম্বদা কান্নবা ফংগনি। থবক মফমদা মীগা মুক্নগনু।

কুম্ভ- থবক থৌরমদা অনৌবা খূদোংচাবা ফংগনি। লল্লোন ইতিক্কী ৱারেপ লৌ য়াগনি।

মীন - শেল থুমগী লম্বীদা চাংচৎতা লৈজরগসু থবক তৌবা হোৎনজবদা মহয় চাদবা পীরি।

## সি এম খেমচান্দনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নির্মালা সিথারমন ১দি রাজনাথ উন্নখ্রে

### হোম মিনিষ্টর অমিট সাহ অমদি দি জি এ আরগসু ঙরাং উন্নখি



**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা ঙসি য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারামন, য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নাবিনগা উন্নখ্রে। খোঙচৎ অদুদা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ২ নেমচা কিপগেন অমসুং লোসি দিখো শরুক য়াখি। চীফ মিনিষ্টরনা ফাইনান্স মিনিষ্টর উন্নবদুদা ষ্টেট অসিদা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা চাওখৎ থৌরাং কয়াগীদমক শেল হেন্না থাদবীনবা তকশিনখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা লূচিংদুনা ঙরাংসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহ উন্নখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা চয়েৎনবা কয়া কোকহন্নবা অনৌবা লৈঙাক্ল লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা ময়েক শেংনা পাউদমখি।

দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ২ য়াওনা উন্নখিবা অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা ঈং তপ্পা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা অমসুং হিরম খূদিংমক্তা খূমাঙ চাওশিনহন্নবগী মতাংদা সেন্টরনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীরকখি। কাঙলূপকী ঈরাংনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিং খুন্দা লৈতাহন্নবগী থবক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা খঙহল্লকখি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

ফেব্রুৱারী ৪দা য়ুম্নাম খেমচান্দনা ষ্টেট অসিগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুংদা ন্যু দিল্লিদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ হকথেংননা উন্নবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। চীফ মিনিষ্টরনা লূচিংবা মীহুৎ কাঙবু অদুগা উন্নবদা হৌজিক হৌজিক তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা চঙথোক চঙশিন য়ান্নদ্রিবা অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা অনৌবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি হায়রি। নাকল অমরোমদা, ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৈবা মণিপুর ভবনদা দাইরেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলস লেফ্টনেন্ট জেনরেল ভিকাশ লখেরা লাক্তুনা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি হায়রি।

## মীতোপ খন্দোক্তনা সেন্সস তৌবা য়ারোইঃ জে এফ দি




**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** লোগী ৱাংদা চঙলকপা মীতোপশিং হান্না খন্দোক্তনা য়ূমকোক, মীকোক থীবা তারবদি অচূম্বা ফল ফংবা ঙম্লোই হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

জে এফ দিনা পরিং নাইনা চথরকপা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী খুরাই নিংথৌবুং পুরিবা পুরিবী শঙলেনদা নিংথৌবুং ৱুমেন ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী মীফমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মীৎয়েং মখাদা তাঙ্কক অনী থোক্লা চহী অসিগী এপ্রিল ১ দগী সেপ্টেম্বর ফাওবা য়ূমকোক থীনবা অমদি মথং চহীগী মার্চতগী মীকোক থীগনি থৌরাং তৌরিবসি হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দর ফৎত্রিবা, ৱার লাইক সিচ্যুয়েসন, দিষ্ট্রিক্ট অমগা দিষ্ট্রিক্ট অমগা চঙবা য়াদ্রিবা অমদি আই দি পিশিংগী মশা মশাগী য়ূমদা চঙবা য়াদ্রিবা তাঞ্জা মীকোক থীবা হায়বসি অচূম্বা ফংবা ঙম্লোই। এন আর সি তৌরবা মতুংদা সেন্সস পাঙথোকপনা খ্বাইদগী অচূম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়খি।

### — মপাল্লমগী পাউ —

## ইরানদা লৈরিবা ইন্দিয়ানশিং থোরক্নবা গভর্নমেন্টনা এদভাইজরি থোকখ্রে

**তেহরান। ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৩(ৱায়েল কাতি)ঃ** মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা অনৌবা এদভাইজরি অমা থোকখিবগা লোয়ননা ইরানদা লৈরিবা ইন্দিয়ান পুম্নমক খূদমক্তা থোরক্নবা খঙহনখ্রে। ইরান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা চাওনা উংখৎনরকপদগী খূদোংথিবা থোরকপা য়াই হায়দুনা অনৌবা এদভাইজরি অসি থোকখিবনি। ফেব্রুৱারী ২৬ তা ইরান অমসুং য়ুএসনা জেনেভাদা ইন-দাইরেক্ট ওইনা ৩শুবা রাউন্দগী ৱারী শান্ননবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা তুংদা মিনিষ্ট্রিগী এদভাইজরি অসি থোরকপনি। য়ুএস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নুমিৎ ১৫ নিগী মতম থাখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ন্যুক্লিয়র দিল অমা খূৎয়েক পীনদবা থোক্লবদি ইরানগী ওইনা লাইবক থীনিংঙাই ওইগনি হায়না চেকশিন-ৱারোল পীখি। অরোইবা ওইনা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবগী পান্দমদা ইন-দাইরেক্ট ওইনা ফেব্রুৱারী ২৬ তা ৱারী শান্নবগী ৱাফম অসি অচূম্বনি হায়না ওমানগী ফোরেইন মিনিষ্টর বাদর অল বুসাইদিনা কনফার্ম তৌখি।

## ভোপালদা ক্লাস তেনগী মহৈরোই অমদা থাঙনা ২৭ লক থিল্লম্লে

**ভোপাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মধ্য প্রদেশকী কেপিটেল সিতি ভোপালদা লৈবা স্নুকর ক্লব অমদা ক্লাস তেন খক্তা তম্বদা ঙাইরিবা মহৈরোই অমা থাঙনা ২৭ লক থিল্লম্লে। থাঙনা থিল্লম্লিবা মীওই অদুনা থৌদোক অদুগী সিসিটিভি ফুটেজ সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকখি। সিসিটিভি ফুটেজকী মতুং ইন্না ক্লব অদুদা চহী নৌরিবা মীওই অনীখক চঙলকখি। ঙাইহাক লৈরগা মখোয় অনীনা ক্লাস তেন তম্বদা ঙাইরিবা মহৈরোই অদুদা শুপ্পগী সেকেন্দ ৩০গী মনুংদা ২৭লক থাঙনা থিল্লম্বনি। ফীভম থিনা শোক্লবা মহৈরোই অদু মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। গৌতম নগর পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমদা লৈবা অশোকপা নুপামচা অদু স্নুকর ক্লব অদুদা য়াম্না থিনা লাকপা থেংনখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা চথবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না লমন খূম্বগী মওংদা চহী নৌরিবা মহৈরোই অদুবু থাঙনা থিল্লম্বা ওইগনি হায়রি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা স্নুকর গেম অমগা মরী লৈননা নীংঙাই শংদান্নবগী থৌদোক অমা থোকখি। থাঙনা থিল্লম্বদগী শোক্লবা নুপামচা অদুনা মীওই অনীদা খূৎ থাখিবগী থৌদোক অমসু লৈখি হায়রি।

## মৈতৈ, চোথে, কবুই অমদি মরিং ফুরুপ পূন্না অহানবা ওইনা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা থৌরম পাঙথোক্কদৌরি




**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** সনামহি লাইনিং চৎলিবা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মৈতৈ, চোথে, কবুই অমদি মরিং ফুরুপ পূনশিন্দুনা অহানবা ওইনা চহী হৌবা শজিবু নোংমা পানবা ‘চৈরাওবা’গী থৌরম পাঙথোকমিন্নগদৌরি।

থৌরম অসি ফুরুপ ৪ অসিগী লূচিংবশিং পূনশিন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা অপূনবা কংলৈ য়েলহৌ ফুরুপ শজিবু নোংমা পানবা কুমহৌ ফেষ্টিভেল কম্মিটি হায়না মিংথোনবা লূপ অমা শেমদুনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা কম্মিটি অসিবু লৈঙাক্না মশক খঙবীদুনা চহী খূদিংগী থৌরম পাঙথোকপদা মপুং ফানবা বজেটতা শেনফম হাপ্পীনবা আপিল তৌরক্লি।

অমরোমদা লাইনিং সনামহি টেম্পল বোর্দকী কবুই লোইশঙগী শঙলাকপা কামসোন গাংমুমৈ কবুইবু হায়রিবা কম্মিটি অসিগী চেয়রমেন ওইবগা লোয়ননা ভাইস চেয়রমেনদা মথংশিৎনা থাও যাত্রা চোথে অমদি মৈস্নাম ইবোবাবু খনখ্রে। চেয়রমেন অমদি ভাইস চেয়রমেন খল্লবশিং খূদক্তগী থৌ পুবগী অয়াবা ঙসি লাইনিং সনামহি টেম্পল বোর্দতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বোর্দ অসিগী ভি পি বিদ্যপতি সেঞ্জমনা লাওথোকখি। লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী মীৎয়েং মখাদা থৌরম অসি কম্মিটি অসিনা শীন্দুনা হন্দক চহীদগী হৌদুনা লাক্লিবা মার্চ ১৯ দা চোথে ফুরুপনা খুন্দারিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী লম্লাং হুপু ভিল্লেজতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## ক্লাস তেনগী একজাম ঙসিদগী হৌখ্রে



**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর, (বোসেম)না লৌবা চহী অসিগী ক্লাস তেনগী হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট একজামিনেসন মহৈরোই ৩৬,৭২৫ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী হৌখ্রে।

একজাম অসিদা চীংগী মহৈরোই ১৯,০৪৬ অমদি তম্পাক্তগী মহৈরোই ১৭,৬৭৯ য়াওনা পূন্না মহৈরোই ৩৬,৭২৫ না একজাম সেন্টর ১৬১ দা একজাম থারি। অপূনবা মহৈরোই মশিং অসিগী মনুংদা নুপী মহৈরোই ১৮,৩৫০ অমদি নুপা মহৈরোই ১৮,৩৭৫ য়াওরি। সেন্টর ১৬১ গী মনুংদা চীংদা সেন্টর ৬১ অমসুং তম্পাক্তা সেন্টর ১০০ দা মহৈরোইশিংনা একজাম থারি।

পাউচে অসিনা একজাম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইম্ফাল মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা একজাম সেন্টরশিংদা য়েংশিল্লুবদা মহৈরোই, মমা মপা অমদি গার্জিয়ানশিংনা একজামিনেসন সেন্টরশিংদা মতম চানা য়ৌনরকপা থেংনরকখি। অহানবা নুমিৎকী ইংলিশ সবজেক্ট থোকপা নুমিৎতা মহৈরোইশিংনা ঈং চিক্না একজাম থাবা থেংনখি। একজাম সেন্টর অমগী ওঝানা অমনা হায়, মথং থা মার্চ ২৩ ফাওবা চথগদৌরিবা একজাম অসিগী মনুংদা য়াওশঙ কুম্মৈ মনুংসু ওইবনা একজাম থারিবা মহৈরোইশিংগী মমা মপাশিংনা চেকশিনবা তঙাইফদে হায়রকখি।

## ৭শুবা বেটচকী ফয়ার এন্দ লাইফ সেফটি ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩(ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা ঙসি স্কুলশিংগী টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফকী ওইবা ৭শুবা বেটচকী ফয়ার এন্দ লাইফ সেফটি ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা ফয়ার সার্ভিসকী হেদ ক্বার্টরসতা পাঙথোকপা ত্রেনিং অদুদা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী ওঝা অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ ৪০০ রোম শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহৈলোইশঙশিংদা মৈহৌ লাংপোক থোরকপদা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাখল তাহনখি। থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম) অঙোম হিরা সিংহ, এদুকেসন (এস)কী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর য়ুম্নাম নোংলেন মৈতৈ অমসুং মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্টর এল নবচন্দ্র সিংহনা মথং শিৎনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী ষ্টেসন ওফিসার কেঐচ সুরচন্দ্রনা হায়, মহৈলোইশঙশিংদা মৈহৌ লাংপোক্তগী থোরক্কদবা খূদোংথিবশিং মমুৎ তানা খঙহনবগী তঙাইফদবা ফোঙদোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ফয়ার এক্সটিঙ্গুইসর শীজিন্নবা অমদি বেসিক লাইফ সেভিং টেক্নিকনচিংবা দেমোনষ্ট্রেসন তৌখি।

## ওইনাম কেনেজি লৈখিদবগী ২রক শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা দি এম সাইন্সকী মহৈরোই ওইনাম কেনেজিগী অনীরকশুবা লৈখিদবগী কুমওন থৌরম মহাক্কী নীংশিং খূভমদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

কুমজা ২০২৪ গী ঙসিগী নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২৩ গী নুমিদাং পূং ৯ রোম তাবদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মহৈরোই কেনেজিগী খূভমদা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা খোঙচৎ অমসু চৎখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোই লূপ এমসুগী প্রসিদেন্ট ক্রশ পেবমনা হায়, লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা দি এম সাইন্সতা ৫শুবা সেমিষ্টর তম্বতা নত্তনা এমসুগী থৌমী অমসু ওইরম্বা কেনেজি বোমনা পানবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি অমদি মহৈরোই অমনা তমথিনা শোকখি। মণিপুরগী ঈহৌ কয়াদা অমদি মহৈরোই খূন্নাইগীদমক চেন চোংদুনা লাক্লিবা লূপ অসিনা লৈঙাক্কী অমদি খূৎলাই পায়বশিংগী অশোয়বগী মায়োক্তা লেপ্পুবা মতমদা অফা-অপূন, অশি-অনা অমদি অকি-তুজুংবা কয়া নংদুনা লাক্লি। ২০২৪ দা থোকখিবা থৌদোক অসিগুম্বা মখা তানা মহৈরোই খূন্নাইদা থোক্তবা ওইরসনু ফোঙদোকখি।

## ৱাংজিং ন্যু মার্কেটকী দুকান অমদা বোম পোকখায়হল্লম্লে, দুকান ২ অমাঙ তা থোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাংজিং ন্যু মার্কেটতা ক্বা মরু মনা য়োনবা দুকান অমদা মশক খঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে। থংননা লৈবা দুকান অনী য়াওনা অকায় অতোয় থোকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পূং ১০ঃ৩৮ রোম তাবদা থোকখিবনি। বোম লংশিল্লম্লিবা দুকান অদু হৈরোক পার্ট-৩ তৌরাংবম লৈকায় বামোন লৈরক্তগী নিংথৌজম বিজেনকুমার এলাইজ রোবেন সিংহ (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা অঙাং সিংহনা ফম্বনি। বিজেনকুমার হান্না ইন্দিয়ান আর্মি ওইরম্বদগী থবক্তগী পোখারগা লৈবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মশক খঙদবশিং অদুনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা অদুদা দুকান অদুগী সট্টরদা বোম মচেৎনা ফাওদুনা চৎখিবগী দাগফমশিং লৈরমখি অমদি থংননা লৈবা লাইশ্রম শান্তি দেবী কৌবী অমগী খোঙউপ য়োনবা দুকানসু অকায়-অতোয় থোকখিবগা লোয়ননা শান্তি মশাসু দুকান অদুদা অহিং লেক্তুনা লৈবনি। বোম পোকখায়হল্লকপা অমদি মহাক্কী পোৎফম থম্ফম মৈ চাক্লকপা অদুদা পাখৎতুনা শান্তিসু জ্ঞান মাঙদুনা ৱাম্থরকখি হায়রি।

## ইন্দিয়াদা অথুবা মতমদা রোবোটকী লান্মী লৈরগনি ঃ দি আর দি ও



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী (ৱায়েল কাতি) ২৩ঃ** আর্টিফিসিয়েল ইন্টলিজেন্সনা লেবোরেটরি অমসুং সাইন্স ফিক্সনগী পন লান্থোক্লগা অনৌবা মতমগী দিফেন্স সিষ্টেমদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগদৌরি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা ইন্দিয়া এ আই ইম্পেক্ট সম্মিটতা দিফেন্স টেক্নোলোজিষ্ট ডাঃ জি ছাতিস রেদ্দিনা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা অথুবা মতমদা রোবোটকী লান্মী পুথোকপা ঙম্বগী ফিভমদা লৈরে।

দিফেন্স রিসার্চ এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)গী চেয়রমেনসু ওইরম্বা ইন্দিয়াগী দিফেন্স ইষ্টাব্লিসমেন্টকী মরু ওইবা এদভাইজর ডাঃ রেদ্দিনা মখা তানা হায়, মতমগী অওনবা মতুং ইন্না হিরম খূদিংমক্তা এ আই য়াওদবা য়ারক্তে। সিভিল্লিয়ন নৎত্রগা মিলিটরিগী ওইরবসু নৌনা পুথোক্কদবা পোৎলম খূদিংমক এ আই য়াওদ্রবদি চন্নফম লৈররোই।

শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা এ আইনা দিফেন্স সেক্টরদা অচৌবা মফম কনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা রোবোটকী লান্মী পুথোকপা ঙম্বগী ফিভমদা লৈরে। হৌজিকমক্কী ওইনা সার্ভিলেন্সকা মরী লৈনবা সিষ্টেম অমদি ওটোনোমস প্লেটফোর্মশিংদা এ আই শীজিন্নবা হৌরে। এ আইনা মরম ওইরগা মতুং তারকপদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা শোক্লগদবা লানফমশিংদা রোবোট লান্মীসু শীজিন্নবা হৌরগনি। মসিগীসু মথক্তা টেঙ্ক, লানগী গাড়ী, এরিয়েল ভেহিকল, ঈশিং মনুংদা থৌবা সবমেরিন অমদি অতে খূৎলায় পুম্নমক এ আই শীজিন্নরগনি।

এআইদা য়ূম্ফম ওইরগা শেমগৎপা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরু শীজিন্নরক্কদবা মরমনা লানফম খূদিংমক্তা খোঙমী লান্মী থাজিনবগী মহুৎতা রোবোটকী লান্মী ঙাক্তা ওইনা শীজিন্নবা হৌরগনি।

করম্বা মতমদা রোবোটকী লান্মীশিংনা ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা ডাঃ রেদ্দিনা হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনা মতম থাবা ঙমদ্রবসু হ্যুমেনোইদ সিষ্টেম শেমগৎলিবা মরমনা অথুবা মতমদা রোবোটকী লান্মীশিংনা ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌরগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

অমরোমদা, চাইনানা হ্যুমেনোইদ রোবোটশিং শীজিন্নরগা লানগী শাজেল তৌবগী ভি দি ও ফুটেজ অমা ভাইরেল ওইরকপা থেংনখ্রে। চাইনানা ওফিসিয়েল ওইনা রোবোটকী লান্মীশিং লানগী থৌরাং তৌহনবগা লোয়ননা লানফম খূদিংমক্তা শীজিন্নবা হোৎনরে হায়রি। অদুম ওইনমক চাইনানা থাদোরকপা ভি দি ও ফুটেজ অদ এ আইগী মতেং লৌরগা শেমদোক শাদোকপনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকখি।

মমাঙদা চাইনানা রোবোটকী লান্মীশিং শীজিন্নরগা লাইন ওফ এক্চ্যুয়েল কন্ত্রোল (এল এ সি)দা ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌহল্লে হায়না ক্লেইম তৌরকপা লৈখ্রবনি। চাইনাগী মরু ওইবা কম্পেনি অমা ওইরিবা য়ুনিত্রি রোবোটিক্সনা হন্দক্ত মীওইবদগী হেন্না হৈথোই-শিংথোইবা রোবোটকী লান্মী শেমগৎলগা মথৌ তৌহল্লে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## দাইমন্দ দোনরসনা লুপা লিশিং ৭০ মতেং পাংখ্রে



**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৩ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কিদনি ফেল ওইদুনা লৈরিবা কুম্বীদগী হৌজিক্লা জেনিমস ক্বার্টরদা লৈবা মাইবম মণিদা দাইমন্দ দোনরসনা লুপা লিশিং ৭০ মতেং পাংখ্রে।

শেল পীবগী থৌরম অদুদা দাইমন্দ টিভি অমদি ৱাহোং রেদিওগী মেনেজিং দাইরেক্টর জেমস হৈক্রুজমনা হায়, কিদনি ফেল ওইরিবা মাইবম মণিগী লোইনবী মাইবম বিলা অসি ৱাহোং রেদিও দাইমন্দ টিভিগী থৌরম তাবা য়েংবদা নত্তনা থৌরমদা কোল তৌদুনা ঈশৈ খনবা শকপা য়াওদুনা আইদিয়েল লিষ্টনর অমা ওইরকখি। মহাক মশক খঙদ্রসু খোঞ্জেলদা মিংদা খঙনবা ওইখি। অসুম্না চহী অহুম লোমসি চেন্নেল অসিদা য়াওরকখি। অদুবু হন্দক পূক্নিংগী ৱারোল থৌরমদা কোল তৌরক্তুনা মাগী মপুরোইবা কিদনি ফেল ওইরে। মতেং পাংবীয়ু হায়রকপদা হ্যুমেনিতি সার্ভিস ওইরিবা দাইমন্দ দোনরস টিম ৱাহোং রেদিও তাবা দাইমান্দ টিভি য়েংবা ময়াম্না অমদি পদ্মশ্রী নামৈরাকপম কুঞ্জারাণি কম্মান্দেন্ট সি আর পি এফ, ৱাঙ্খেমযুম নন্দিনি সেকেন্দ ইন কম্মান্দ সি আর পি এফ, ইমাশি সোরোজিনিনচিংবা মীয়াম্না মতেং পাংবীরক্তুনা শেনফম অসি পীজবনি। মতেং পাংবীরকপা খূদিংমকপুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা ৱাহোং রেদিও, দাইমন্দ টিভি তাবীয়, শেংবীয়ু, আইদিয়েল লিষ্টনর ওইবীয়ু। ঐখোয় পূন্না অৱা অনা মতেং পাংনসি হায়খি।

# এদিটোরিয়েল

ইম্ফাল, লমতাগী ৬ নি পানবা,নিংথৌকাবা ফেব্রুৱারী ২৩,২০২৬ ইং

## ইমপ্লোয়িশিংগী মরল-মথূম য়েংশিনবা

### দিসপ্রোপোর্সনেট এসেটকী মতাংদা ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্ট থৱায় য়াওহন্নিংই

ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসি অসি য়ূম্বী মখোং ৩না পুই। য়ূম্বী মখোং ৩ হায়বদি লেজিসলেচর, একজিক্যুটিভ অমসুং জুদিসিয়ারি হায়বসিনি। য়ূম্বী মখোং ৩ অসি মৈতৈগীদা হায়রগদি মঙাং, লুৱাং, খুমন গুরু ৩গুম্বনি। মসিনা হেন্না মরু ওই নৎত্রগা মহাক্না হেন্না চাওই হায়বা ঙমদে। মখোয় মখোয়গী তোখায় তোখায়বা মথৌদাংশিং লৈ অমসুং মখোয় ৩ মকসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসননা মতিক ময়ায় পীখিবনি। অফবা লৈঙাক নৎত্রগা দেমোক্রেসিবু মপাঙ্গল কলহন্নিংবা কাঙবুনা য়ূম্বী মখোং ৩ অসি মাগী মাগী মথৌ চপ চানা তৌহন্নবা হোৎনরগা লাকই। য়ূম্বী মখোং ৩ অসিগী মনুংদা অমা শোত্থবা য়াদে। ৩মক মপাঙ্গল লৈবা মথৌ তাই। লেজিসলেচরশিংনা লৌরিবা থৌদাংদা পূকচেল শেপ্লক্লবা নৎত্রগা মীচঙ মীখায় নাইনা থবক তৌরক্লবা অমসুং শেলগা মন্তিক্রবক্লবদি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অদু তুবা য়ানা লৈরে হায়বসি ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। মসিগা চপ মান্নবা মওংদা জুদিসিয়েল সার্ভিস অমসুং একজিক্যুটিভকী থৌদাং লৌরিবশিংনা পারম চূন্না থবক তৌরক্লবা, শেঞ্জা থুমজা তৌরক্লগদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম অদু মমিৎতগী মপী শোয়দনা শিন্থরক্কনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি তৌবা য়াদনবা মখল মখা কয়াগী এজেন্সিশিং হাংদোক্লনা সুম চারকপা য়াওবশিং ফাননবা থবকসু লেপ্পা লৈতনা তৌরিবনি। মপুং ওইনা জুদিসিয়েল সার্ভিসতা থবক তৌরিবশিংনা অরান অহুই তৌহৈদে। একজিক্যুটিভকী থৌদাং লৌরিবা ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিংনা মখোয়দা কন্সটিট্যুসননা পীরিবা থৌদাং অদু কৈদৌঙৈদসু শেলগা মন্তিক্ররোইদবনি। মসিগীসু মথক্তা পিল্লর ৩ অসি মখোয়গী মনুং চল্লিবা কাঙবুদা অরানবা য়াওরকপনা কনখৎননবা হোৎনরোইদবনি। হায়বদি এম এল এ না অরানবা তৌরকপদা এম এল এশিংনা কনখৎপা, জজ অমনা অরানবা তৌরকপদা জজ ময়াম্না কনখৎপা নৎত্রগা ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিংনা মখোয়বু কনখৎননবা হোৎনরোইদবনি। মদু হোৎনরম্বা তারগদি ক্রাইম তৌবা মী কনখৎপগা চপ মান্নে। মণিপুরদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমা খক হায়বা তারগদি লো মেকর অমা নৎত্রগা ব্যুরোক্রেট ওফিসার অমনা অতেনবা মতমগী মনুংদা শেল য়াম্না পায়খৎপগী মওং মতৌশিং উবা ফংলকপসিনি। ময়ূম মকৈ ৱাংখৎনরকপদা নত্তনা লৌ ইঙ্খোল পঙলৈদা লৈশিন্নবা অমসুং মাগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং নুংঙাইরবা পূন্সি মরেল অমদা লেন্থোকপা উরক্লিবসি কমদৌনা কদায়দগী লাকপা শেনফমনো হায়বা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা মীকূপ খূদিংগী য়েংশিনগদবদু ফ্রিদা থাদোক্লি। মখোয় মশা মশাশিং অসি অৱাংবা থাক্কী মীওই কাঙবু অমনি হায়না লৌই। মখোয়না তৌরিবা অরানবশিং অদু খঙদনবা, ফাদনবা মখল মখা কয়াগী থৌরাংশিং লৌখৎলগা লৈ। অদুগুম্বা থৌরাংশিং অদু থীদোক্কদবা স্টেটকী ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টনা পোলিটিসিয়ানশিংগী ফুরিৎখাওদা য়াওবদৌনা লৈ। তশেংবগীদি মখোয় অসি মনিং তম্বা পীরবা মতমদদা মণিপুর অসি চাওখৎলক্কনি। কনাগুম্বা মীওই অমনা মহাক্কী মরল-মথুমশিং অদু ইনকমগা চান্নদ্রগদি দিসপ্রোপোর্সনেট এসেট কৌই। মরূ ওইনা পব্লিক সর্ভেন্টশিংনা মহাক্কী শেল লাকপগী লম্বী অদু লোগী মতুং ইন্না তাকপা ঙল্লক্ত্রগদি অরোনবা মওংদা মরল মথুম লেপশিনবা কাঙবুনি হায়না হায়গনি। মসি শেঞ্জা থুমজাগী শাথিরবা ক্রাইম অমনি হায়না লৌরবসু য়াই। প্রিভেন্সন ওফ করপ্সন এক্ট ১৯৮৮কী সেক্সন ১৩(১)বি) অমসুং সেক্সন ১৩(২)গী মতুং ইন্না মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা থবক ময়াম অমা লৌখৎপা য়াই। গভর্নমেন্টকী থবক তৌবা ইমপ্লোয়ি অমনা চহী ১০গী লুপা ক্রোর ১ ফংলে হায়না লৌরসি। মহাক্কী ইনকম অদু থিগৎপদা য়ূম অমা লৈবদা লাক্ষ ৭০, কার অমা লৈবদা লুপা লাক্ষ ১০, সনা অমসুং মরল মথুম ওইনা লুপা লাক্ষ ২০ লৈরে হায়রগদি মহাক্কী চহী ১০গী ইনকম লুপা ক্রোর ১ নি হায়বদু য়াদ্রে। মরমদি মখোয়গী ইমুংগী চান্ননবা, থক্লনবা, অঙাংশিংগী চাদিং, অনা অয়েক্কী, ফিরোল লৈবগী অমসুং অতৈ মচাক ময়াম অমা মহাক্কী ইনকমদা উৎত্রে হায়না লৌগনি। মরম অদুনা অদুগুম্বা ওফিসার অদুগী মথক্তা দিপ্রোপোর্সনেট এসেটকী কেস লৌখৎপা য়ারে। ব্যুরোক্রেট ওফিসার অয়াম্বনা মশাগী শেন্থোক্কা মরল মথুমগা কা হেন্না চান্নদবা ময়াম অমা য়াওরমগনি। মরমদি ব্যুরোক্রেট ওফিসার অয়াম্বা মণিপুরদা নামৈ শেল য়াম্না তাল্লি। মখোয়না নারোনদা শেল তাল্লিবদু শেঞ্জা থুমজা হায়বদি করপ্সননি। মসি মণিপুরগুম্বা স্টেটতদি অফোঙবা, লোনা য়াবদৌনা তৌই। দিপার্টমেন্ট অমদা মরী লৈনবা স্কিম অমগী শেল থাদোকপা মতমদা মাগী শরুক পীরমদ্রগদি শেল থাদোকউ হায়বা য়াদবা ব্যুরোক্রেট ময়াম অমা লৈ হায়না মমিং পন্নে। মখোয়না নরোন্দা তানশিল্লিবা শেনফমশিং অদু ব্লেক মণিনি। হায়বদি মখোয়গী ইনকমদা উৎপা য়াদবননা অরোনবা ওইনা থম্মী। মনাওনুপাগী মিংদা, মনেমপোক্কী মিংদা, শিগদবগী ঙাইরবা কনাগুম্বা অমগী মমিংদা মরল মথুমশিং অদু থৈদোক্লগা থম্মী। অসিগুম্বা তানফমদা ওফিসার অমনা শেঞ্জা থুমজা তৌরে হায়বসি স্টেটকী ইমপ্লোয়িশিংগী ওইনদি ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্ট খক্তদা পৱার পী। অমরোমদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনসু লম লৈবা য়োনবা তৌনরিবশিং অমসুং য়াম্না থাজদবা মওংদা লন্নাই মীওই কয়াগী ময়ূম ৱাংখৎলকপা, শেন্থোক্কা চান্নদবা মওংদা অতাঙবা কার তোঙখৎলকপনচংবা তৌবশিং অসি য়েংশিনফম থোকপনি। মরু ওইনা ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিংনা নরোলদা চারিবা শেলশিং অসি মীয়ামগী মরলনি। মখোয়বু কুপশিন শেন্নবা হায়বসি শেন্নবা লৈরিবা এজেন্সিশিংগী থৌদাংনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মীওই অমনা লোগী মতুং ইন্না লাকচবা ইনকম নত্তবা মশাগী মরল মথুম অদু লোদা উৎথোক্তবা পাক-শন্না লৈরল্লগদি মদু শেঞ্জা থুমজা তৌরে হায়বা য়ারবনি। স্টেট অসিদা শেঞ্জা থুমজা থিংননবগীদমক্তা একজিক্যুটিভশিংগী মরল মথুমশিং ইনকমগা চান্নরিব্রা হায়বদু য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়জনিংই।

## WAYEL SUDOKU

*Puzzle 219*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 5 | | | | | |
| | | | | | 4 | | | |
| | | | | | | | | 7 |
| | 1 | 6 | | | | 8 | | |
| 4 | | | 2 | | 7 | 5 | | 6 |
| | | 8 | 6 | | 9 | 4 | 3 | |
| | | 3 | | | | | | |
| | | | 9 | 4 | | | 2 | |
| 5 | 6 | | 7 | | | 3 | | |

# হোর্মোনগী চাং হন্থরকপনা মীওইবদা অহোংবা কয়া থোকহল্লকপা

মীওইবা, মরুওইনা নুপা ওইবশিংদা টেষ্টোষ্টরোন (মেল হোর্মোন)গী চাং হন্থরকপা তারবদি তোঙান তোঙানবা লায়না কয়ামরুম ওইহল্লকপা য়াই হায়বা খঙলে।

মীওই খুদিংমক চহী য়ামশিল্লকপগী মতুং ইন্না টেষ্টোষ্টরোনগী চাং হন্থরকই। অদুবু কনাগুম্বা খরদা চহী নৌনা হোর্মোন মখল অসিগী চাং হন্থরকপা য়াওই। হায়রিবা মীওইশিং অদু মশাগী চহী ৪০ শুদ্রবসু নুপা-নুপী লোয়ননিংবগী অপাম্বা ফাওরক্তে, মসল মাস হন্থরকই অমসুং পাঙ্গল শোঞ্জিল্লকই। হকচাংগী অরুম্বা অমসুং অনোইবা হেনগৎলকই।


য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগানগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার মার্ক পিতরসন্না লুচিংবা টিম অমনা য়ু এস নেসনেল হেলঠ এন্দ ন্যুত্রিসনেল একজামিনেসন সর্ভেগী দেতা শীজিন্নরগা হায়পোগোনেদিজমগী মরমদা কুপ্না থিজিল্লম্মী। টেষ্টোষ্টরোনগী চাং হন্থরকপগী থৌওংবু হায়পোগোনেদিজম হায়না খঙনৈ।


মীওইবগী সেক্স গ্লান্দনা হোর্মোন পুথোকপগী চাং হন্থরক্লবা মতমদা হায়পোগোনেদিজম ওইহল্লকপনি। হোর্মোনগী চাং হন্থরকপনা ওইহল্লকপা য়াবা লায়নাশিংদি তাইপ-২ দাইবেটিস, দাইবেটিস, অরথ্রাইটিস, কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ, ষ্ট্রোক, পলমোনরি দিজিজ, ত্রাইগ্লাইসরাইদ ৱাংখৎলকপা, কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলকপা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা অমসুং পুক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহন্দবা অসিনচিংবনি। মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইহরিবা নুপা লিশিং ২দা থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি।

ঈ দেসিলিটর অমদা টেষ্টোষ্টরোন নেনোগ্রাম ৩০০ য়ৌনা য়াওদ্রবদি হোর্মোনগী চাং হন্থরক্লে হায়না লৌবা য়ারে। টেষ্টোষ্টরোন হায়রিবা হোর্মোন অসি মীওই খুদিংমক্তা (নুপাদসু নুপীদসু) য়াওই। শা মখল খুদিংমক্তসু য়াওই। নুপা ওইবশিংদা টেষ্টিকলদগী টেষ্টোষ্টরোন পুথোরকই। চাং য়াম্না হন্থজরবসু নুপীগী ওভারিদা হোর্মোন মখল অসি পুথোকই। ইনখৎলকপা মতমদগী হোর্মোন অসি পুথোরকপা হৌই অমসুং মশাগী চহী ৩০ হেক শুবগা তপ্না তপ্না চাং হন্থরকই। মতমদুদা নুপা নুপী লোয়ননিংবগী ৱাখল ফাওরক্তে, পাঙ্গল শোন্থরকই, হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকই, পুক্লিং ৱাখল লাংতক্লরকই, ইশানা ইশাবু মমল লৈতবা মীওই অমা ওইনা লৌরকই, শম্নাগী মশিং হন্থরকই অমসুং শরূ পাথরকই।

চহী য়ামশিল্লকপগী মতুং ইন্না মীওই খুদিংগী টেষ্টোষ্টরোনগী চাং হন্থরকই। অদুবু অতৈ অতোপ্পা মরম খরনসু ফিভম অসি ওইহল্লকপা য়াই। অতৈ মরমশিং অদুদি এইদস, কিদ্নিগী লায়না, য়ু থকপা অমসুং লিভর সিরোসিস অসিনচিংবনি।

ইচম চম্না ব্লদ টেষ্ট তৌরগা হকচাংদা টেষ্টোষ্টরোনগী চাং কয়া য়াম্না য়াওরিবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙম্মী। নুপাগী ওইনা ঈ দেসিলিটর অমদা টেষ্টোষ্টরোন নেনোগ্রাম ২৫০দগী ১১০০ ফাওবা য়াওরগদি নোর্মেলনি। নুপীগী ওইনদি ঈ দেসিলিটর ১দা নেনোগ্রাম ৮দগী ৬০ ফাওবা য়াওগদবনি। পিটুইটরি গ্লান্দদা অশোয়বা লৈরবদি টেষ্টোষ্টরোনগী চাং হন্থনা য়াওই হায়না মায়োে ক্লিনিক্কী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। পিটুইটরি গ্লান্দনা সিগনেল পীরবা মতুংদা টেষ্টিকলনা হোর্মোন মখল অসি পুথোরকপনি।




ইনখৎলকপা মতমদা হোর্মোন অসিগী চাং নেম্লবদি মপুং মৰে ফাবগী ফিভম (প্যুবর্তি) তপ্পী। চাং খরা হেন্না য়াওরগনা চহী নৌনা মপুং মৰে ফারকই। নুপীদা টেষ্টোষ্টরোনগী চাং কা হেন্না য়াওরবদি নুপাগী শকওং শক্তা অমসুং মওং মতৌ উখোরকই।

এদ্রিনেল গ্লান্দগী অশোয়বা নত্রগা টেষ্টিসতা কেন্সর নারবদি কা হেনবা মওংদা টেষ্টোষ্টরোনগী চাং ৱাংখৎলকই। কনাগুম্বদা হোর্মোন মখল অসিগী চাং হন্থনা য়াওবসু লৈ। থৌওং অসিবু হায়পোগোনেদিজম হায়না খঙনৈ। প্রোষ্টেটকী ফিভম অমসুং রেদ ব্লদ সেল পুথোকপগী মওং মতৌ য়েংলগা হায়পোগোনেদিজম ওইহল্লকপগী মরম খঙবা ঙম্মী। টেষ্টোষ্টরোনগী চাং নেম্না য়াওরবসু হকচাংদা থোইদোকপা অকায়বা থোকহল্লক্তে। করিগুম্বদা অকায়বা থোকহল্লক্লবদি হোর্মোন রিপ্লেসমেন্ট থেরাপিগী মথৌ তারকই।

হার্বাট মেদিকেল স্কুল (ঐচ এম এস)গী রিপোর্ট অমনা হায়, মশাগী চহী ৬৫ হেল্লবা নুপাশিংগী ওইনা ঈ দেসিলিটর অমদা টেষ্টোষ্টরোন নেনোগ্রাম ৩০০দগী ৪৫০ ফাওবা য়াওহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। পান্দম অসি ফঙনবগীদমক হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনবগা লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেংওৎপগী থবক তৌগদবনি। তুম্বা চাবগী মতমসু নাইগদবনি। কনাগুম্বনা টেষ্টোষ্টরোনগী চাং হন্থরক্লে হায়বগী মতাংদা চিংনবা লৈরবদি মরী লৈনবা দোক্তরগা তান্নদুনা মথৌ তাবা লায়েং চত্থগদবনি অমসুং অতৈ চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌগদবনি।

# মীপান তাংদ্রবা ঐখোয় ৱারোই

মণিপুরগুম্বা শেহেকলৈজন্দবা মপানগী লমগা ফাওনবদা চীংমীগী খুন কয়া ফাওরগা চংতবা য়ারক্তবা মীপান তঙদ্রবদি হিংনবগী লম্বী লৈতবা অসিদা ঐখোয় শান্তি লৈনা তংদু লৈতনা হিংবা হায়বসি য়াম্না অৱাবগী মশক্নি। মসিদা অনৌবা থৌশিল থৌরাংগী লম্বী অমফাওবা য়াংতনা করি করম তৌরগা হিংবা ঙমগদগে? হিংবদা চঙগদবা পোৎলম খুদিং মপান্দগী চীংলোন মাপল লান্না লোইনা পুশিল্লকপা ঙক্তনি। মসিদা চীংলোন মাপল অসি লানবদা চীংগী এন্তি সোসিয়েল ইলিমেন্ট কয়া অমুক থাদোক অমুক ফজিন শান্নবা অসিদা লমদম অসিগী হায়নিংঙইলৈতনা অৱাবা পীরিবা অসি ঐখোয়না খন্নবা মতম থেংমনখ্রে। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্না ইশু অসি লোইশিনবা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরে। মসিমক লাইনা লৌবা চুপ্পরোই। মসিদা তৌবা য়াবা অনীখক নত্তনা অতৈ পাম্বে লৈরোই। অহানবদা মীপান তাঙদনবা হোৎনবা, অদুগা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফহনবা অসিনি। হায়ৰে অনী অসিদা লালহৌবা খুৎলাই পায়বা কয়াগী খুদোংথিবশিং করম তৌরগা শান্তি লৈনা পোৎচৈ পুথোক পুশিন য়াগনি খন্নবা। মদুবু লাকশিনবা ঙক্তবদি পুন্নমক অফবা মাইওনদা লাক্কনি। অদুদগী নোংমৈ মরাং কায়বা কয়ানসু মণিপুরগী পুকচাক লম্বী ওইরিবা লম্বী অসি নোংমৈনা ইতং তক্তনা অপনবা পীবা হায়বা অসি ধর্ম্মনসু য়ারোই। মসিদগী হেন্না য়ুম্লেন্নবদা ওৎনবা খুৎলায় অমুক লৈররোই। অদুনা খুৎলাই মরাং কায়বা কাঙবুনসু মতুংদা তৌরোইদবনি। করিগুম্বা মথক্কী অসি ঙমদ্রবা শুপ্পগী তঙাইফন্দবা পুশিন দবা য়াদবা খরগী ৱাফম তোঙান্না থম্বীরগা ঐখোয়গী ইশাগী অমদি ইরমদমগী মীওই খুদিং থবক্কী হৈনবী নিংথিনা থম্বীদুনা ঙল্লিবমখৈ ইশাগী শীজিন্নবা পোৎ খুদিং পুথোকচবা ঙক্তবদি অমদি মদুগী খুজিল থৌরাং লৈঙরক্ক নিংথিনা থৌশিল থৌরাং কয়া শোয়ফন্দনা শেম্বিরবদি মীপান তঙবগী অৱাবা খরা কোক্কনি। লমদম অসিগী মীয়াম ঐখোয় খুদিংনসু ঐখোয়না তক্তনা অৱাবা নংলিবসি মীপান তাংবননি। তাংসু তংলিবনি। অদুনদি তংদনবা করম্ব থবক পায়খৎকনি হায়বসি মীওই খুদিং খন্নমিন্নবা মতম য়ৌরবনি। ঐখোয়না মীপান তংদনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনবদা অদু ওইরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি। মসি খুদিং মীয়াম অমসুং লৈঙাক পুন্না খন্নবা চঙই। অদু নত্তনা মপানগী পোৎ খুদিংগী ঐখোয়না ঙাইদুনা লৈবনা মদুবু পুশিল্লক্তবদা ঐখোয় অৱাবা মায়োক্লবনি। মণিপুরগী মনুংদা মতম চুপ্পগী ওইনা শঙহন্দুনঙক্ত লৈহনবা য়াবা কয়া লৈরি। অমসুং মদুগী ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচবা কয়া লৈঙাক্ন শেন্নিবা, ওর্গানিক ফার্মিং মপুং ফানা তৌবা, হেন্দলুমগী পোথোক কয়া মরাং কায়না পুথোকপীবা মদুগী রো মেটরিয়েল কয়া লৈঙাক্না অৱাংপা লৈহন্দবা অমদি খুংশা হৈবগী পোথোক কয়াসু পুথোরুবা হোৎনবা পুন্না মক অসি মীপান তংদনবা থৌশিলনি। অদুগা ঐখোয়গী মীওই কয়া শম কক্পা খোঙউপ তুবা য়ুম শাবা মপানগী লমদগী মীতোপ কয়ানা শুরিবা থবক পুম্বা লমদমসিগী য়েলহৌমীনা লোইনা তৌরবা মপান লমগী থবক খাক্তবদি মীতোপ চঙলকপগী চাংসু য়াম্না হন্থগনি। পুন্নমক অসি লমদমসিগী য়েলহৌমী ঐখোয়না পুন্না ভাব তামিন্নবা চঙই। ঐখোয়গী লমদমসিগী মী অয়াম্বা মপানগী লমদগী পোৎ অয়াম্বা শিজিন্নরগা নুংঙাইনা লৈবগী চংনবী ওইনা লৈনৈ। মীরমগী পোৎ ঙক্ত শিজিন্নরগা ঐখোয়না চাওথোকচফম অসিবু কন্দায়দনো মসি মুন্না খঙনবা ফৈ। ঐখোয়না ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিনবা তিন্দবা তিল্লবগী অমাং অতেং কুপ্না নৈনরগা মপানগী পোৎ ঙাক্তা শিজিন্নরবদি ঐখোয়গী ৱাহহোক করিনো? অদুগী মহুং ঐখোয়গী রিসোর্স লৈতবা কয়া অসি করম্না হোৎনরগা লৈহন্নবা অমদি মদুবু হোৎনরবদি ইন্দিয়াগা শম্নদ্রবসু অকায়বা লৈরোই। মমৈদা ইন্দিয়া লৈঙাক্ন ঐখোয়বু ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা অকিবা ফাওরক্কনি। অদুদি নত্তনা ইশাগী পোথোত্তি পুথোক্লেই শুবা চংপগী হৈনবীদি লৈতনা মীরমগী মপোৎনা ইপোৎ শারগা ঐখোয়না ইন্দিয়াগী মরমদা অফ-ফত্তগী মরমদা নৈনবনা কান্নবা ফংলোই। ঐখোয়গী মীয়াম চহী লিশাং শিংনা মীরমগী পোথোককয়ানা ইপোৎ ওইনা লৌজবগী হৈনবী লৈবা অসি কুইরক্লে। মসিদা চুখিদুনা ঐখোয় অপুনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্ন থম হায়জিনবগী পোৎ অমা অসুম লৈখিবনা ঐখোয়না ৱাবনি। নত্রবদি ঐখোয় ইশাগী অৰেবা খরগা হিংবা য়ানবা হোৎনবা মথৌ তারে। মীঙোন্দগী নিরগা হিংবা হায়বসি মীনা উশিংতবা মশানা তাবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী পোৎ খুদিং ঐখোয়না ঙাইবনা ঐখোয়বু ইনিদয়ানা শান্ননিংবা মওংদা শান্নবা ঙল্লিবনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরুবনা ঐখোয়বু মখোয়না মচা মশু অমগুম য়েংবীবা মখোয়গী মথৌনি। অদুবু ইনিদয়ানা ঐখোয়বু হন্থবা থাক অমদা য়েংবীবা মখোয়গী মিংলৈ য়েংদ্রবদি ঐখোয়না করিগুম্বা অমফাওবা তৌবা ঙমদ্রিবসি ঙসি ঙসিমক অরুবা হিরম অমা ওইনা লুচিংবা অমদি অখঙ অহৈ কয়ানা খন্নবা মতম থেংমল্লে।

**অইবা-এম থম্বৌ**


## NAME CORRECTION

I, Nepram Ibomcha Singh, F/o Nepram Prithiviraj Singh, a resident of Langathel Khuman Leikai, P.O. Wangjing, Thoubal District, Manipur, declare on this day, the 23rd February, 2026, that in my son's Mark Statement-cum-Certificate, Admit Card, Migration Certificate and other documents of All India Secondary School Examination (AISSE), 2019 under Roll No. 3146073 and All India Senior School Certificate Examination (AISSCE), 2021 under Roll No. 16635882 of Central Board of Secondary Education, his mother's name is wrongly recorded as Nepram Leihao Devi instead of Nepram Mema Devi. Hence, I would like to correct her mother's name as "Nepram Mema Devi" in all the original academic documents/records of my son so as to avoid any discrepancy in his future studies and career.

Sd/-
Nepram Ibomcha Singh

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-216*



**ACROSS**
6 Wheel cover (6)
8 Being broadcast (2,3)
10 Young girl (4)
11 A long time (4)
12 Falsify (5)
13 Lowest point (5)
14 Explosion (8)
15 Drink slowly (3)
16 Wooden harness (4)
18 Large iron stove (3)
20 Learning by repetition (4)
22 No particular person (6)
25 Encroach (8)
27 Stick out (7)
29 Pangs (5)
30 Tropical vine (5)
32 ___ Purple, rock band (4)
33 In the company of (4)
35 Pyromaniac's crime (5)
36 Vapours (5)
38 Irritating, irksome (7)
40 US state (8)
41 Begin a game of golf (3,3)
43 Instead (4)
44 ___ Lanka, country (3)
47 Curly hairdo (4)
49 Fourth month (abbr.) (3)
51 Wobbly (8)
53 Sound broadcast (5)
54 Loud (music) (5)
55 Spanish river (4)
56 Elemental particle (4)
57 Bakery basic (5)
58 Deep furrow (6)

**DOWN**
1 Country in the Balkan Peninsula (8)
2 Misbehaves (4,2)
3 Dreadful (10)
4 Large keyboard instrument (5,5)
5 Operator (4)
7 Bird of the auk family (6)
9 Zones (5)
10 Wildly (5)
17 Family (3)
19 Sailing (2,3)
21 Give reasons for (7)
23 Bear fruit (5)
24 Sick feeling (6)
26 Hurrying (7)
28 Treachery (7)
30 Pasta dish (7)
31 Be able to pay for (6)
34 Common greeting (5)
37 Men (5)
39 North Devon seaside town (10)
40 Costume party (10)
42 Eden inhabitant (3)
45 Circuitous (8)
46 Feature (6)
48 Computer-phone link (5)
50 Hunting gun (5)
52 Devon's county town (6)
53 Ceremony (4)

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 7 | 5 | 6 | 2 | 9 | 4 | 3 |
| 6 | 9 | 2 | 3 | 7 | 4 | 1 | 5 | 8 |
| 3 | 4 | 5 | 8 | 9 | 1 | 2 | 6 | 7 |
| 2 | 1 | 6 | 4 | 3 | 5 | 8 | 7 | 9 |
| 4 | 3 | 9 | 2 | 8 | 7 | 5 | 1 | 6 |
| 7 | 5 | 8 | 6 | 1 | 9 | 4 | 3 | 2 |
| 9 | 2 | 3 | 1 | 5 | 6 | 7 | 8 | 4 |
| 8 | 7 | 1 | 9 | 4 | 3 | 6 | 2 | 5 |
| 5 | 6 | 4 | 7 | 2 | 8 | 3 | 9 | 1 |



Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**